# ইন্দিয়া অমসুং ইজিপ্টকী মরী স্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপকী লেভেলদা থাংগৎনবা এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনখ্রে



**কাইরো, জুন ২৫ (এজেন্সী):**
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ইজিপ্টকী প্রসিদেন্ট অব্দেল ফতাহ এল -সিসিগা উন্নদুনা ৱারী শানখিবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী মরী 'ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপ' কী থাক ওন্থোক্লবগী পান্দমগা লোয়ননা মখোয়না এগ্রিমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনখ্রে।

লুচিংবা অনীনা ট্রেদ, ইনভেষ্টমেন্ট, দিফেন্স, সেক্যুরিটি, রিন্যুএবল ইনর্জি, কলচরেল মরী অমসুং লৈবাক অনীগী মীয়াম মরক্তা তোৎন তিন্নবা হেনগৎহনবা য়াওনা লৈবাক অনীগী পার্টনরশিপ হেন্না চেৎশিলহন্নবগী লম্বীশিং খন্ন-নৈনখি।

নাকল অনীনা বাই লেটরেল পার্টনরশিপ, ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপ অমা ওইহন্নবগী এগ্রিমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনখি। মদুদা নত্তনা ইন্দিয়া অমসুং ইজিপ্টকী মরক্তা এগ্রিকলচর, আর্কিওলোজি এন্দ এন্টিক্যুটিস অমসুং কম্পিটিসন লোগী লমশিংদসু মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং এম ও য়ু অহুম খুৎয়েক পীনখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়র্সকী স্পোক্স পার্সন অরিন্দাম বাক্সিনা ত্বিটর পোষ্ট অমদা হায়খি, মদুদি পিএম মোদিনা কাইরোদা প্রসিদেন্ট এল সিসিগা ওফিসল মীটিং অমা পাঙথোকখি। মীটিং অদু নাকল অনীমক্কী ওইনা কান্নবা মীটিং হায়বদু ওইখি। লুচিংবশিং অসিনা লম কয়াদা লৈবাক অনীগী পার্টনরশিপ হেন্না চেৎশিলহন্নবগী ৱাফমশিং খন্ন-নৈনখি।

মদুগী মমাঙদা ইজিপ্টকী প্রসিদেন্ট অব্দেল ফতাহ এল-সিসিনা পিএম মোদিদা ইজিপ্টকী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী ষ্টেট ওর্নর ওইরিবা 'ওর্দর ওফ নাইল' পীদুনা ইকায় খুম্নখি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মহাক্কী ইজিপ্ট খোঙচৎ অদুদা কাইরোদা লৈবা অল-হকিম মোস্কতসু চৎখি। খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা মোদিনা ত্বিট অমদা হায়খি, মদুদি পুৱারীগী রেকোর্দ ওইরবা কাইরোগী অল-হকিম মোস্কতা চৎতুনা য়েংবগী খুদোংচাবা ফঙখি। মদু ইজিপ্টকী শীংথানিংঙাই ওইরবা হেরিটেজ অমসুং কলচরগী মরু ওইবা খুদম চাংদমশিংগী মনুংদা অমনি।

অল-হকিম মোস্ককী খোঙচৎ অদুগী মতুংদা পিএম মোদি থাংজ নুমিত্তা কাইরোদা থুংখি অমসুং মদুদগী অমুক হেলিকোপ্টর তোংদুনা মহাক হেলিও পোলিস ৱার সিমিত্রিদা চৎখি অমসুং মফম অদুদা মহাক্না মালেমগী অহানবা লঞ্জাও মনুংদা থৱায়না পোন্থা পীখিবা ইন্দিয়ন লান্মীশিংদা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

পিএম মোদি জুন ২৪ দগী ২৫ ফাওবা ইজিপ্টতা ষ্টেট খোঙচৎ অমা চৎলিবনি।

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা পিএম মোদিনা ইজিপ্টকী মহাক্কী লেঙমান্নবা মোষ্টাফা মটবাউলিগা লোয়ননা কাইরোদা রাউন্দ টেবল মীটিং অমা পাঙথোকখি। মহাক্না আরব লৈবাক অদুদা চৎলিবা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎ অদুগী মনুং চন্না ইজিপ্টকী লূচিংবা কয়াগসু উন্নদুনা ৱারী শানখি।

লল্লোন ইতিক্কী লমদা মহাক্না মিদ্দল ইষ্ট অমসুং নোর্থ অফ্রিকাগী লমদমদা ওপরেট তৌরিবা ইজিপ্টকী খ্বাইদগী চাওবা কম্পেনিশিংগী মনুংদা অমদি সি ই ও হাসন অলামগা উন্নদুনা ৱারী শানখি। লুচিংবা অনীনা রিন্যুএবল ইনর্জি অমসুং গ্রিন হাইড্রোজেনগী লমশিংদা কো ওপরেসন হেন্না চেৎশিলহন্নবগী ৱাফম কয়াসু খন্নখি।

ইজিপ্টতা হেক লেন্দিং তৌবগা পিএম মোদি কাইরোগী হোটেল অমদা থুংখি। ইজিপ্টতা থুংবদা মহাকপু মীয়াম্না তরাম্না ওকখি। ইন্দিয়ন কম্যুনিটিগী মীওই কয়া রিজ কার্লটন হোটেলদা পুন্দুনা মহাকপু তরাম্না ওকখি।

মফম অদুদা লৈরিবা ইন্দিয়ন কম্যুনিটিনা মচু অহুমগী ফিরাল হাইখি অমসুং 'মোদি মোদি' অমসুং 'বন্দে মাটরম' হায়বা স্লোগানশিং লাউখি। মীওই কয়ানা ইন্দিয়াগী ঈশৈশিং শকখি অমসুং কলচরেল প্রোগ্রামশিং খুদোল তৌদুনা পিএম মোদিবু তরাম্না ওকখি।

# য়ুএসতগী লৈগদবা দ্রোনশিংগী মমল হৌজিক ফাওবা লেপ্নদ্রি: সেন্টর



**ন্যু দিল্লি, জুন ২৫ (এজেন্সী):**
য়ুনাইটেদ ষ্টেটতগী ইন্দিয়ানা লৈগদৌরিবা এম ক্যু-৯বি দ্রোনশিংগী মমল হৌজিক ফাওবা লেপ্নবা লৈত্রি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স (এম ও দি) না ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়রিবদি দ্রোনশিং অদুগী মমল অতৈ লৈবাকশিংদা ওফর তৌরিবা খ্বাইদগী ফবা মমলশিংগা চাংদম্নরগা লেপকনি। অমেরিকন দিফেন্স কোর্পোরেসন অমা ওইরিবা জেনরেল এটোমিক্সনা অতৈ লৈবাকশিংগা ওফর তৌরিবা খ্বাইদগী ফবা মমলগা চাংদম্নরবা মতুংদা ঐখোয়না লৈগদৌরিবা দ্রোনশিং অদুগী মমল লেপ্নগনি।

দ্রোন লৈবগী প্রোসেস হৌজিক খুমাঙ চাওশিল্লে অমসুং য়ানখিবা নত্তগা ইনফম থোকপা প্রোসিজরগী মতুং ইন্না প্রোক্যুমেন্টগী থবক মপুং ফানা লোইশিল্লগনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি।

দ্রোনশিং অদু লৈবগী মমল অমসুং অতৈ টর্মশিংগা মরী লৈননা সোসল মেদিয়া সেক্সন খরদা ফোঙনরকখিবা ৱাখলনা শাগৎপা রিপোর্ট খরগী মতাংদা এম ও দিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রিবদি অসিগুম্বা সোসল মেদিয়াদা পল্লিবা ৱাফমশিং অসি মরম চাদে অমসুং ফত্তবা পান্দম অমগা লোয়ননা অমদি এক্যুজিসনগী প্রোসেস ফেল ওইহন্নবগীদমক্তা ৱাফমশিং অসি ফোঙলকপনি হায়না লৌই। দ্রোনশিং অদু লৈবগী মমল অমসুং অতৈ টর্মশিং অরোইবা ওইনা লেপ্নবা লৈত্রি অমসুং নিগোসিএসনগী মতুং ইন্না লাক্কদবা ঙাক্তনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মীওই সেক্সন পুম্নমক্তা শেমজিন শাজিনবা পাউ শন্দোকপীদনবা হায়জরি। অসিগুম্বা লান্না থাজখিগদবা শেমজিন শাজিনবা পাউনা আর্মদ ফোর্সেসকী মোরেলদা চাওনা শোকহনবগা লোয়ননা খুৎলায়শিং অদুগী এক্যুজিসন প্রোসেসতসু খুদোংচাদবা কয়া লাকহনগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না য়ুএস গভর্ণমেন্টতা ট্রাই সর্ভিসেসকী মথৌ তাবশিং, ইক্বিপমেন্টগী অকুপ্পশিং অমসুং প্রোক্যুমেন্টগী টর্মশিং য়াওবা লেট্টর ওফ রিক্বেষ্ট (এল ও আর) অমা থারগনি। এল ও আর অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা য়ুএস গভর্ণমেন্ট অমসুংএম ও দিনা লেট্টর ওফ ওফর অমসুং লেট্টর ওফ একচেপটেন্স ফাইনেলাইস তৌগনি।

# চাইনানা পাকিস্টানবু এল ও সি পরিংদা দিফেন্স ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎপদা মতেং পাঙলি

**ন্যু দিল্লি, জুন ২৫ (এজেন্সী):**
চাইনানা অনমেন এরিয়েল অমসুং কম্বেট এরিয়েল ভেহিকলশিং পীবদা নত্তনা পাকিস্টান আর্মিবু লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা দিফেন্স ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎপা অমদি কম্যুনিকেসন টৱারশিং খিনবদা অমদি অন দরগ্রাউন্দ কেবলশিং ফুম্বদা মতেং পাঙদুনা লাক্লি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।



ওফিসলশিংদুগী মতুং ইন্না মদু চাইনা-পাকিস্টান ইকনোমিক কোরিদোর (সি পি ই সি) রোদ অমসুং ওক্যুপাইদ টেরিটরিদা শেমগৎলিবা হাইদেল প্রোজেক্টশিং সিক্যুর ওইহন্নবগী মিংদা পাকিষ্টান-ওক্যুপাইদ কাশ্মির (পি ও কে) দা লৈরিবা চাইনিস এনক্লেবশিংগী সেফতি লৈহনবগা লোয়ননা পাকিস্টানগী অৱা নুংঙাই পুম্নমক্তা খ্বাইদগী ফরবা মরুপনি হায়বা চাইনাগী পোজিসন হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনরকপগী শরুক অমনি।

ওফিসলশিং অদুনা মখা তানা হায়রিবদি হন্দক্তা দিভলপ তৌখিবা ট্রক্তা হাপ্পা এম এম ১৫৫ হোৱিটজর গন অমা ওইরিবা এস ঐচ-১৫সু মমাঙগী চহীদা পাকিস্টান দেদা উৎখ্রবা মতুংদা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংগী মফম খরদা দিপ্লোই তৌবা উখি।

লন্দনদা বেজ তৌবা জেন্স দিফেন্স মেগজিনগী মতুং ইন্না 'সুট এন্দ স্কুট' আর্টিল্লরি খুৎলায় অমনি হায়না খঙনরিবা এসঐচ ১৫ হোৱিটজর গন ২৩৬ সপ্লাই তৌনবগীদমক্তা পাকিষ্টান্না চাইনিস ফার্ম নোর্থ ইন্দষ্ট্রিস গ্রুপ কোর্পোরেসন লিমিটেদ (নোরিনকো) কা কন্ট্রেক্ট অমা সাইন তৌনখি। খুৎলায়শিং অদুগী অহানবা বেজ অদু কুমজা ২০২২গী জনুৱারীদা দেলিভর তৌখি।

# পেসৱারদা সিখ অমসু কাপ্লগা হাৎখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জুন ২৫ (এজেন্সী):**
হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা পাকিস্টানগী সিখ নুপা অমা পেসৱারদা মশক খঙদবা মীওইশিংনা নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎখ্রে। মসি পুং ৪৮ গী মতম মনুংদা এরিয়া অদুদা সিখ ট্রেদর অমদা চথখিবা অনীশুবা এটেকনি।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা টর্লোক সিংহ কৌবা অতোপ্পা সিখ ট্রেদর অমা মশক খঙদবা মীওইশিংনা নোংমৈনা কাপ্পদগী শোকখি। মহাক এটেক অদুদা মখোঙদা পানবদগী শোকখিবনি। থাংজ নুমিত্তা নোংমৈনা কাপ্পদগী শিখিবা সিখ ট্রেদর অদু মনমোহন সিংহ কৌই হায়বসি খঙবা ঙমখ্রে।

পুলিসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা মহাক্কী মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা সস্পেক্ট কয়া ফাখি হায়না এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

মশাগী চহী ৩৫ শুরবা মনমোহন সিংহ পেসৱারগী সব অর্বান লোকেলিটি অমা ওইরিবা রসিদ গাদিদগী সিটি অসিগী মনুং হঞ্জিনবা মফম অমা তন্না লাকপগী লম্বীদা মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বা মীওই খরনা মহাকপু বুলদারা চোক কসার মনাক্তা এটেক তৌখিবনি। মহাক অনকপদা লৈবা হোস্পিটালদা পুখৎখি অমসুং ডাক্তরশিংনা মহাক শিরে হায়না লাউথোকখি।

# উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা লক্ষ্ণৌবু মেগ্নেট সিটি অমা ওইহন্নবা দিভলপ তৌরগনি

**লক্ষ্ণৌ, জুন ২৫ (এজেন্সী):**
উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট কেপিটেল লক্ষ্ণৌবু লৈবাক অসিগী অহানবা এ আই সিটি ওইহন্নবা অচৌবা থৌরাং অমগী মনুং চন্না সিটি অসিবু লৈবাক অসিগী নিপানশুবা মেগ্নেট সিটি ওইহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা শেমগৎপগী অচৌবা পান্দম লৈবা থৌরাং অমা পায়খৎলগনি।

মেগ্নেট সিটি অমা হায়বসি মীয়াম অমসুং ইনভেষ্টমেন্টশিং চিংশিনবা ঙম্বা সিটি অদুবু খঙনৈ। ষ্টেট গভর্ণমেন্টগী পান্দমদি লক্ষ্ণৌবু মথংগী চহী মঙাগী মনুংদা ইন্দিয়াগী নিপানশুবা মেগ্নেট সিটি ওইহন্নবা মওংদা দিভলপ তৌবা অসিনি। সিটি অসিবু লৈবাক অসিগী নিপানশুবা মেগ্নেট সিটি ওইহনগদৌরিবা মথংগী চহী মঙাগী মতম অসি ক্বার্টর ২০ থোক্লা খায়দোক্কনি হায়রি।

গভর্ণমেন্টগী স্পোক্সমেন অসিনা হায়রি, মদুদি মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা পান্দম অসি ফঙননবা মিশন মোদ অমদা থবক তৌননবা চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথকী মায়কৈদগী খঙহনবা লৈখ্রে। হৌজিক্কী ওইনদি লৈবাক অসিদা মেগ্নেট সিটিশিংনি হায়না খঙনবা সিটি তরেৎ লৈ। সিটিশিং অদুদি দিল্লি-এন সি আর, কোলকত্তা, চেন্নাই, মুম্বাই, হায়দরবাদ, অহমেদবাদ অমসুং বেঙ্গলুরু অসিনি।

মথংগী চহী মঙাগী মনুংদা ষ্টেট অসিবু ট্রিলিম দোল্লর অমগী ইকনোমিক ওইহন্নবা যোগি গভর্ণমেন্টনা উত্তর প্রদেশকী সিটি মঙা মপুং ফানা শেমগৎ শাগৎনবা থৌরাং তৌরি। হৌজিক লক্ষ্ণৌ, কানপুর, গৌতম বুদ্ধনগর, বরানাসি অমসুং প্রয়াগ রাজ হায়রিবা সিটি মঙা অসি আই টি হবশিং অমসুং আই টি ই এস সেক্তরদা খুমাঙ চাওশিল্লবা সিটিশিং ওইহন্নবা মপুং ফারবা ষ্ট্রেটেজি অমা ষ্টেট গভর্ণমেন্টদা লৈরে।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থাজরিবদি উত্তর প্রদেশকী দিষ্ট্রিক্ট মঙা অসিনা আই টি অমসুং আই টি ই এস সেক্তরশিংদা ষ্টেট অসিবু চাওখৎহন্নবগী লম্বীশিং ফাৎপগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদগী শীংথানিংঙাই ওইনা টেলেন্ট লৈরবা মীওইশিং মপানদা চৎখিগদবদগী থিংহৌবা ঙম্নগনি হায়বসিনি। চীফ সেক্রেটরি দুর্গ সঙ্কর মিশ্রাগী লীচিং মখাদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী টোপ ওফিসরশিংগী টিম অমনা হৌখিবা থা নিপানলোম চুপ্পা থৌরাং অসি য়াৎলকখিবনি।

# বি জে পিগা টেলঙ্গনাগী বি আর এসকা মরী লৈনদে: নদ্দা

**হায়দরবাদ, জুন ২৫ (এজেন্সী):**
বি জে পিগা টেলঙ্গনাগী রুল্লিং ভারত রাষ্ট্রিয়া সম্মিথি (বি আর এস) মরী অমত্তা থম্নবা লৈতে হায়না বি জে পিগী প্রসিদেন্ট জেপি নদ্দানা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হায়দরবাদতা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট নদ্দানা পার্টিগী লুচিংবশিংদা হায়খি, মদুদি টেলঙ্গনাগী লাক্লিবা এসেমব্লি মীখলদা বি জে পিনা বি আর এসতা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনগনি। বি আর এস অমসুং বি জে পিগী মরক্তা নকশিন্নরকপগী ফিভম উবা ফঙলে হায়বা রিপোর্ট কয়াগী মরক্তা নদ্দানা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

নোংমগী খোঙচৎতা হায়দরবাদতা থুংখিবা বি জে পিগী টেলঙ্গনা য়ুনিটকী লুচিংবশিংগা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদু রাজিব গান্ধী ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টকা নক্কনা লৈবা নোবোটেল হোটেলদা পাঙথোকখি।

বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অসিনা পার্টিগী লূচিংবশিংদা চহী অসিগী লোইরমদাইদা পাঙথোক্কদবা এসেমব্লি মীখলগীদমক্তা শেম শানবা হায়খি অমসুং লুচিংবা খুদিংমক্না পার্টি অসিবু ষ্টেট অসিদা লৈঙাক্কী পৱার পায়হন্নবা কন্না হোৎননবসু তকশিনখি।

মীটিং অদুদা ষ্টেট বি জে পি প্রসিদেন্ট বন্দি সঞ্জয় কুমার, য়ুনিয়ন টুরিজম মিনিষ্টর জি কিষান রেদ্দি, এম এল এ রঘুনন্দন রাও, বিজয়া শান্তি, মুরালিধা রাও, কোঙ্গুলেটি সুধাকর রেদ্দি অমসুং অতৈ কয়ানা শরুক য়াখি।

নদ্দানা লুচিংবশিং অদুদা থকসি খাসি ঙাক্লবা পাউতাক পীবগা লোয়ননা বাই লেটরশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎকনি হায়নসু কিহনখি। পার্টিগী ষ্টেট য়ুনিট মনুংদা মখা তানা চরাংনবা খরা লৈরিঙৈ মরক্তা নদ্দানা ৱার্নিং অসি পীখিবনি। পার্টিগী ষ্টেট লিদরশিপতা পেন্দবা লৈবা পার্টি অসিগী এম এল এ ইটারা রাজেন্দর অমসুং হান্নগী এম এল এ, টি রেদ্দি, রাজ গোপাল রেদ্দি থাংজ নুমিত্তা দিল্লিদা কৌখি।

মখোয়না মফম অদুদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সাহ অমসুং নদ্দাগা উন্নখিবনি। রাজেন্দর অমসুং রাজ গোপাল রেদ্দি অনীমক্না পার্টি হাই কম্মান্দবু বি আর এসকী মায়োক্তা অকনবা ফিরেপ অমা লৌহনবা পামখি। টেলঙ্গনাদা পার্টি অসিগী মতম লৈরক্ত্রে হায়রদুনা মখোয়না পার্টিগী লিদরশিপতা য়াম্না থুনা ৱারেপ লৌননবা তকশিনখি হায়রি।

সিএম কে চন্দ্রসেখর রাওনা লুচিংবা বি আর এস গভর্ণমেন্টগী করপসনগী থবক থৌওংশিংগী মায়োক্তা পার্টিনা অকনবা এক্সন লৌখৎননবা মখোয়না দিমান্দ তৌখি। সেন্টরদা মোদি গভর্ণমেন্ট লৈরকপা চহী ৯ গী মনুংদা এচিভ তৌখিবশিং নদ্দানা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা পব্লিক মীটিং অমদা ৱা ঙাঙবদা হাইলাইট তৌগনি।

# থোং তেকপদগী ফ্রাইট ট্রেন তুরেলদা তাশিনখ্রে

**ৱাশিংতন, জুন ২৫ (এজেন্সী):**
য়ুএসকী মোন্টানাদা লৈবা থোং অমা খঙহৌদনা তেক্লকখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা ফ্রাইট ট্রেন কার তরেৎ য়েল্লো ষ্টোন তুরেলদা তাশিনবদগী মদুদা পুরকখিবা আস্ফল্ট অমসুং মহি ওল্লবা সলফর কার্গো ঈশিংদা চাইথোকখ্রে হায়রি। মোন্টানা রেল লিংনা ওপরেট তৌবা ট্রেন কারশিং অদু হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা নোংচুপ পাংনা ষ্টিল ৱাটর কাউন্টি তন্না লাকপদা অয়ুক পুং ৬.৪৫ রোম তাবদা ট্রেক্তগী হাইদোক্তুনা গুরুং চৎখিবনি।

মোন্টানা রেল লিংগী স্পোক্স মেন এন্দি গার্লেনগী মতুং ইন্না এক্সিদেন্ট অদুদা কনামত্তা অশোক অপন নঙখিদে। কার অনীনা সোদিয়ম হাইড্রো সলফেট পুরকখিবা ওইরবসু পোৎশক অনীগী মরক্তা অমত্তা ঈশিংদা চঙখিবা লৈতে।

# ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা কাপ্পদা পলেষ্টিনিয়ন অনী শিখ্রে

**রামালা, জুন ২৫ (এজেন্সী):**
ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা পলেষ্টিনিয়ন অনী শিখ্রে হায়না পলেষ্টিনিয়ন ছোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ছোর্সশিং অদুগী মতুং ইন্না পলেষ্টিনিয়ন অনীদুগী মনুংদা অমদি ইজরেল্লি চেক পোইন্ট অমদা এটেক তৌখিবগা মরী লৈননা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা কাপখিবনি।

ইজরেল্লি অমসুং পলেষ্টিনিয়ন ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না মশাগী চহী ১৮ শুরবা অসাদ অল্লৌনি কৌবা পলেষ্টিনিয়ন নহা অসি ৱেষ্ট বেঙ্ককী রামালা সিটি অমসুং জেরুসালেমগী মরক্তা লৈবা ইজরেল্লি আর্মি চেক পোইন্ট অমদা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা কাপ্পদা শিখি।

পলেষ্টিনিয়ন ৱিটনেসশিংনা হায়রিবদি মহাক জেরুসালেমগী অৱাংদা লৈবা কালন্দিয়া চেক পোইন্টদা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা হাৎখিবনি। মদু মহাক্না চথখিবা নোংমৈগী এটেক অমদা ইজরেল্লি সেক্যুরিটি গার্দ অমা অশোক অপন নঙখিবা মতুংদনি।

ইজরেল্লি স্পোক্স মেন অমনা এম ১৬ ওটোমেটিক মেছিনগন পায়বা পলেষ্টিনিয়ন অমা চেক পোইন্ট অদুদা য়ৌবগা লোয়ননা ইজরেল্লি লান্মীশিংদা কাপখি হায়বসি কনফার্ম তৌখি। থাংজ নুমিত্তা মশাগী চহী ৩৯ শুরবা তারিক ইদ্রিস কৌবা পলেষ্টিনিয়ন অমসু ইজরেল্লি লান্মীশিংনা নেব্লস সিটিদা চথখিবা রেইদ অমদা অশোক অপন নঙলবা মতুংদা শিখি। পলেষ্টিনিয়ন মিলিটেন্ট অমা ফাননবগীদমক্তা ৱেষ্ট বেঙ্ককী অৱাং থংবদা লৈবা সিটি অদুদা ইজরেল্লি আর্মিনা রেইদ অদু চথখিবনি হায়রি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৮

১) **''ঙসি কেক্রু পাৎতা ইমাগী তম্পাকথকসিদা/নাউশুম ঈশৈনা নাউথেল্লি ইমানা থৱায় তরানিপালবু/ইঙাগী নোংজুগী ঈশৈ শক্ল-শক্লদুনা।''** লৌথোরক্লিবা শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা, করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপা শৈরেংনো?

২) **''ঙমখৈ লান্মী তেঙ্গোলগী বন্দিনি''** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী ওরিজিনেল লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা ট্রান্সলেসন তৌবগে?

৩) **''বরুৱাগী চিঠী''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **''অমম্ব অহিংদ নোংথাংন ঙান্থোক্লগ হৈনৌ অমুনব খুনব উবগুম ফাগীন পুক্লিংবু তেকখৎহল্লগ কান্নব ৱা কয়া খুঙ্গৎপ ৱাদে, অনানবা শ্লেট্ ইবগুম ময়েক লান পুক্লিংদ লৈহৌই।''** ৱাহৈ পরেংশিং অসি মণিপুরগী মমিং লৈরবা অইবা অমনা ইবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা ফোঙদোকপা ৱাহৈ খরনি। অইবা অসি কনানো? ৱাহৌদোক য়াওরিবা লাইরিক অসি করি কৌবগে?

৫) **''শক-তাকপা''** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

M/s. Akoi Services & Marketing Solutions.
Wangkhei Yonglan Leirak, P.O. / P.S. Porompat, Imphal East, Manipur.

Akoimart
Live Easy

WE ARE HIRING

| SL. | Name of Post | No. | Qualification & Experience |
|---|---|---|---|
| 1 | Business Development Executive (BDE) Age - 28 to 35 | 4 | 1. Any Graduate with minimum 2 years experience in related field. 2. Should have a two wheeler with valid license. |
| 2 | Office Co-Ordinator & Customer Care Age - Min. 30 yrs. | 2 | 1. Any Graduate with minimum 3 to 5 years experience in related field. 2. Preference will be given to candidates who have prior experience in BPO/Call-center industry (Voice). |
| 3 | Procurement & Marketing Manager Age - 32 to 40 | 3 | 1. Any Graduate or above with minimum 5 years of experience in Procurement department / Marketing (Field) with good communication & negotiation skills. |
| 4 | Senior Customer Care Executive (Sales) Only for Female Candidate Age - Min. 30 yrs. | 2 | 1. Any Graduate or above. 2. Preference will be given to candidates who have prior experience in BPO/Call-center industry (Voice). |
| 5 | Accountant Age - Min. 30 yrs. | 2 | 1. M.com or B.com Graduate with minimum 3 years experience in accounting & relevant field. |

Note :
1. Details of Roles and Responsibility will be available in printed form at Akoimart Office, Wangkhei
2. Submission of Resume will be closed on 5th July, 2023.
3. After scrutiny of the Resume, candidates will be called for Interview.
Contact No. : 9863991454.
HL-P/6930/23,24,25,26,27
Salary may be negotiated during Interview.

(A co-educational Hr. Sec. Affiliated to COHSEM)
DELTA ADVANCE SCHOOL
Kwakeithel Bazar, Imphal
ADMISSION OPEN
for Class XI (Science & Arts)
first come first serve (in view of the Present Conflic)
80% & above ☞ FREE Admission + 50% exemption on FEEs
70% & above ☞ ADMISSION ₹1,000/-
3 months school fee should pay at the time of Admn.
60% & above ☞ ADMISSION ₹2,000/-
below 60% ADMISSION ₹5,000/- only
Pls. visit DELTA for other facilities
Office Timing: (Sunday Open) 7:00 am to 4:00 pm
Last date of Admn. with concession: 30th June, 2023
We have 2 years Integrated course for NEET & JEE
Bus & Van service
Hostel for Boys/Girls
# For Forms & Admission, pls. visit Office of DAS or contact: Principal or 8575348209 / 8014684119
Free Admission & Tuition fee for 1 year for students staying in the Relief Camp
HL-P/6925/23 to 29June

MILLENNIUM INSTITUTE OF SCIENCES
Kwakeithel Mayaikoibi, Imphal-01
ADMISSIONS OPEN FOR CLASS-XI SCIENCE 2023-24
Special Facilities for students securing **65%** and above on limited seats based on first come first serve.

- **80% and above but below 88% in HSLCE, 2023 (Limited Seats):-** Free admission fee & Free notebook.
- **88% and above but below 90% in HSLCE, 2023 (Limited Seats) :- Monthly Scholarship from Rs. 2000/- to 4000 /-** according to the financial condition of the student on limited seats, Free Admission & Monthly Tuition Fee, Free notebook.
- **90% and above in HSLCE, 2023 (Limited Seats) :- Monthly Scholarship from Rs. 5000/- to 12,000 /-** according to the financial condition of the student on limited seats and **Free Hostel Facilities on 90%** and above in HSLCE 2023, Free admission & Monthly Tuition Fee, Free Uniform, Free Notebook & Prescribed Text Books grant.

➢ School Admission Counter for Prospectus and Admission Form during office hour **(8:00 am. to 2:00 pm.).**
➢ For details contact school office or **9863562803, 6909298070, 6009936247, 6909298071** (during office hour **from 8:00 am. to 2:00 pm.**)

**Today, the 25th June 2023 (Sunday), the school counter will remain open from 8:00 am to 1:00 pm.**
HL-P/6922/22 June to 1 July